(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

# ‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

**মণিপুরগী সী এমদা ৱাহং খরদং**

**(৪৮)**

কুকি নুপী অনীগী ফি থোংদবা ভিদিওগীদি নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি অমদি চৈরাক পীনি হায়খি। অদুবু মে ৩গী লাঞ্জেন্নবা মীতৈ নুপীদা কুকি নুপা ময়াম চঙদুনা ইকাই খুম্নবা মাঙহনখিবগীদি ঙসি ফাওবা ৱাহৈ অমত্তা হায়বীদবসি করিগীনো হায়বা য়ারোই হায়না থিংবা লৈবীব্রা? ক্বাক্তা পাঙল লৈকাইদগী মীতৈ অহুম ইমুংদগী চিংথোল্লগা থাঙনা কল্লগা মীহাৎ থীনা শা-ঙাদা চৎকদবা লীচৎ অমদি নরানসৈনাদা লৌ শুবা চৎপদা নোংমৈ কাপ্পুনা মীশি-মীনা অসুক থোল্লসিফাওবা তাশিন্নদনা লৈরিবসি অদোমগী নচাদা ওইরম্লদি তুমিন লৈবা ঙল্লমগদ্রা? এ আর অমদি সেন্ট্রেল আর্মিনা ফোঙনা কুকিগী মীচঙ চঙদুনা মীতৈদো অতম্লনা নোংমৈ কাপ্পুনা মীতৈ ময়াম হাৎলসিফাওবা ৱাহৈ অমত্তা হায়বা ঙমদ্রিবসি মণিপুর গভর্ণমেন্ট অসি আর্মিগী লৈব্রা? মীতৈ নুপীদা আর্মি নুপানা ফূবা, ইলেক্ট্রিক চিংহন্দুনা লাক্লবদা করিসু হায়বা ঙমদ্রিবসি করি অরোনবা এজেন্দানো?

বঙ্কর লৌথোকই হায়রিবসি হৌজিক ফাওবদা চীংদা কয়া, তমদা কয়া লৌথোকখ্রবগে?

নোংমৈ, নোংমৈ মরূ, বোম খূৎশু-খূৎলায় ফাগৎলিসিসু হৌজিক ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট অনীগী ওইনা কয়া ফাগৎলবগে। মহৈরোয় নুপামচা অমগা নুপীমচা অমগা মাঙখিবগী নুপাদুনা পায়রম্বা ফোন নুপী অমনা পায়রম্বগী পাউ তাজখি। অদুগী নুপীদুদা ৱাহং-পাউহংবীখিবা লৈরব্রা? চীংদা সী বি আইনা কেস কয়া পায়খৎলবগে, মী কয়া ৱাহং পাউহং তৌখ্রবগে? তমদনা মীওই কয়াদা ৱাহং পাউহংখ্রবগে? অতৈ মফমদা নেট থিংলিনেনা থিংলগা সীসীপুরদা নেট হাংলম্বদু করি এক্সন লৌখৎখ্রবগে? হৌজিক নেট থিংলিসি লায়রবা ফাইবর শম্বা ঙমজ দবা মহৈরোয়শিংদা কয়ামুক অৱাবা পীরিবগে হায়বসি খন্থবীদুনা খরা কোমথোকপীবা য়ারোইদ্রা?

**অদোমগী - থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং**
**থাংমৈবন্দ, # ৯৭৭৪৬৬৯৮৪৪**

---

**পোপী ৱার মখা চত্থরসি**

**(৪৯)**

“নোংমৈ, বোম কাপখিনি, পোপী লোল্লগা, ইলেক্সন ময়া (মে) দা পাথগনি”- কুকিগী অরোনবা লোনচৎ লৈবনা, নোংমৈ-বোম মতৎ-মতৎ মীতৈদা কাপ্লক্লি, লান অসিদা চরাংনরগা পোপী লোকপা ঙাইবনি। মীয়াম্না কাউবীনু লাল্লোং হোংলসি, কুকিলেন্দগী লান তুংদা থল্লগা হৌজিক্লা পোপীগী লাননি। টালিবাননা পোপী থাখিবদু ৱার ওফ টেম্পলগীনি। লান অসিগী হৌরকফম পোপীনি। পোপী ওক্টোবর-নভেম্বরদা লোক্কদৌরি। লৈঙাক্লা হনবা নাইবীগনু, ওর্দর থোকপীরো, মমাং চহীগুম পোপীদা মীৎয়েং চঙলক্তনবা কুকিনা নোংমৈ-বোম কাপ্লকখিনি, লেপখিরোই। পোপীনা শেল, নোংমৈ, বোম, পোলিটিকেল, মীতৈ য়ুঠশিং হাৎপা। মণিপুরসি কুকিগী মখাদা থন্বা অরোনবা লাল্লোংনি। মীতৈনা খুল খরা ঙাকহৌরসু লৈঙাক্লা মীয়ামগা পূন্না পোপী য়ানবা চীংদা চৎলসি, মীতৈশিং মতম্না পুনশিল্লক্কনি, পান্দম মান্নে, ৱাবীগনু, বন্দ, কর্ফিয়ু, মার্কেট, এগ্রীকলচর, মেদিকেল, এদ্যুকেসন, মীদিয়া ফ্রী থারসি। লাল্লোং য়াৎলগা চৎলসি চীংদা, চীংদা অমুক্তা কারুসি, উরগনি পোপী পরেং-পরেং, কাউবীগনু মীতৈনা। কুকিনা য়ূম ৫০দা মী ৮খক, য়ূম ১০০দা মী ২০খক্লি, লম কনবনি, তুংগী মীরোলগী খল্লগা, প্লান তৌরসি, পোপীনা কুকিগী ফর্ষ্ট, লাষ্ট ৱারনি পোপী ৱার চত্থরসি।

**অদোমগী - লৈবাকমচা খুমনচা**
**খুরাই অঙোম লৈকাই, # ৮৭৯৪১৮২৯১৪**

---

**লানসিবু কনানা থোকহনবনো?**

**(৫০)**

হন্দক খঙহৌদনা হৌরকখিবা লান অসি কনানা হৌবনো, করিগীদমক্লো? কুকিনা শাউরিবনা কনাদনো, তায়ননীংলিবনা কনাদনো? করিগীনো মীতৈ ফূরুপ্তা অতম্লনা ওনশিল্লিবনা? মীতৈনা করি তৌরুবনো? য়ূম মৈ থাবীখ্রবশিংদো মরাল লৈবগীরা? লৈরগদি হায়রোদনা মখোয়গী মরালদো। মীগী য়ূম মৈ থারগা শা-ষণগুম তান্নরক্লিবসি করি মরাল লৈবগীনো, লৈঙাক্কা শাউনরগা মীচমগী য়ূম মৈ থাবা হৌনব্রা? লৈঙাকসিবু মীয়াম্না পায়ব্রা, দ্রামাগুম লীলাগুম শান্নবা য়াব্রা, হৌজিক মৈ থাখ্রবা য়ূমশিংদু নোংমদা হেক্তা শাবা য়াগদ্রা, শাবদো শেলনি শেন্দো গভর্ণমেন্টগী ওইরবসু মীয়ামদা ইফেক্ট লাকওইদ্রা, করি হায়রিনো লৈঙাক্লা। মরিল পানবা ঙমদ্রিবসি য়ামদ্রবদা এম এল এ/মিনিষ্টর ৩০/৪০ তম্পাক্কীনি। নখোয় লোইনা ফম থাদোক্লো লানসি কুইমল্লে ৱাবনা খম থেংলে। ৱানা শিবসু শিবা, নুংঙাইনা শিবসু মীয়াম নখোয় অঙম্বা থাক্তা হোৎনজ রো খক্তা হায়বীরো। নীনি-হুম্নিদা লোইগনি লান। নুপী-অঙাং খাক্তনা শিগেরা হিংগেরা হেক্তা হোৎনরদৌনি। মরমদি মীখা থানা হিংগদবগী শরুক নীংতম্লগা শিগে হায়বনি। ফম থাদোকপীরো ফমজাও কোল্লিবশিং, থৱায়গা ইরমদমগা কনানা লূমগে ইরমদমগী থৱায় কৎচরগে থোল্লক্লে ইরৈচা পূন্নমক।

**অদোমগী - সনারৈ য়ুমখাইবম**
**খোমিদোক ইপুম মপাল # ৯৬১৫৩৯৩১০২**

---

**মীৎকপ থোক্লসি**

**(৫১)**

মে ৩দগী থোক্লিবা অৱাবগী মশক ওইরবা লান অসি কুকি খক্তগা নত্তে, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা শোক্লবনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঈরুজনিংবগা থোঙ্গ্রা তেকপগা মান্নে হায়বদুনি। চহী কয়াগী মমাংদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হেদদেক ওইদুনা লৈরবা মীতৈ ঐখোয়গী ইরমদম “কংলৈপাক” প্রি মর্জর এগ্রীমেন্ট হঞ্জিনজগে হায়দুনা তাল্লিবা কংলৈচাশিংগী অপান্বা ৱাফমবু মতৌ করম্না লোইশিনসিগে হায়না খল্লিঙৈ, মখোয়গা দাইরেক্ট খূৎ থোক্লবা য়াদদুনা লৈরিঙৈ চৈরকসিদা, হান্নদগী মাগী-মাগী লৈনরিবা মফমদা তুমিন্না অদুম লৈরবসু য়াবসিদা অপঙবা কুকিনা ওইবসু য়ারোইদবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা হোমলেন্দ তানবদা ইন্দিয়ানা মনুংদা মতেং তৌদুনা মীতৈ মচাশিংবু মুত্থৎনবা তৌবনি।

খূদম:- (১) ফূরুপ অমনা মহাক্কী অপান্বা অমা তানবা মতমদা মীচম মীয়ামদা খূৎ থাগদবা নত্তে, (২) লো কায়না চঙলক্লিবা কুকি-জো লোঙ্গ্রি শেৎপশিংগা ইন্দিয়ন ফোর্সশিংগা লৈমিন্নদুনা মীতৈদা খূৎ থারি।

ৱারোইশিন ওইনা মৎ অমত্তং ইফূরুপচাশিং পূনশিন্দুনা অমত্তা ওইবা ফিরেপ লৌমিন্নবা অমদি ইরমদম অসিগী এম এল এ ৫০না মীৎকপ থোকপীদুনা পোক্তবা ইপা-ইমা ওইরিবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী পাউতাক লৌদুনা লৈথোকপগী মতম থা ৪ হেল্লক্লবনি। অপোকপা মীতৈ ইপা-ইমাগী মচা ওইনা অমুক্তংদি মতিং ফূদোক্তুনা হোৎনদ্রবদি লান অসি লেপ্পরোই।

**অদোমগী - সাপম নুংপুলেন্বা**
**থাঙ্গলৱাই সাবন লৈকাই, # ৮১১৯৮৬৩৪৪৭**

---

**লানগী চৈনা ফংলবা মণিপুরগী মীয়ামদা ৱাহৈ খরদং**

**(৫২)**

চহী চা কয়া নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরক্লবা, চারৌ-মৌরৌনদুনা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াদা শরুক য়ামিন্নদুনা অরৈ-লৈতা চামিন্নদুনা কুকি ইচিল-ইনাওশিংগী পোত্থোক মীতৈ ইচিল-ইনাওশিংগী পোত্থোক অমনা অমগী লৈন-য়োন্নদুনা কয়াদা ঈংনা-চিক্লা লৈমিন্নরম্বা, অদুবু ঙসিদি তাঙ্গোয় তানা চাক্লে। মীওই কয়াগী ময়ূম-মকৈ লৈত্রে, কয়া অমনা পূন্সি পীখন্নখ্রে, হংনিংলিবদি করি করম্বা ৱাখলদগী য়ূম মৈ থাবা, লম খোপচিনবা, লৈজরম্বা য়ূম্ফম ফাওবা য়াওনা তেমখায়খিবা, কুকিশিংনা তৌরবদি মীতৈশিংনা মখূৎ পূন্দুনা তুমিন লৈগনি খনব্রা? হৌজিক্তি মীতৈ-কুকি অনীগী মরক্তা অমাং-অতা, মীশি-মীনা কয়া য়াওনরে, কয়া অমনা মফম খঙদ্রি, লানসিনা কান্নবসি করিনো? অমুকসু মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা খূদিংমক্কী লাইফলাইন ওইরিবা হায়ৰে থিংজিন্দুনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎ খূদিং লাইফ সেভিং মেদিসিন ফাওবা মরাং কায়না ফংহন্দনবা হোৎনবা, নখোয়দি মরাং কায়না ফংব্রা? তুংগী য়ূম্বী ওইগদবা মহৈরোয়শিং, শান্নরোয়শিংবু তমথীরবা মীহাৎ-মীপুনগী চৈনা ফংহল্লিবা, নখোয়দি ফংবা য়াওদব্রা? তুম্ফম-চাফম লৈত্রবা, ময়ূম-মকৈসু মৈনা চাকখ্রবা মীওই কয়া রিলিফ কেম্পতা লৈদুনা অৱা-মৈশা খাঙলিবা নখোয়দি য়াওদব্রা? লানগী কান্নবসি করিনো?

**অদোমগী - ধনচন্দ্র**
**নিংথৌখোং, # ৮৭৮৭৬৪৮৬৩২**

---

**চীং অমসুং তম মান্ননা কমন লো শীজিন্নবীয়ু**

**(৫৩)**

নুংশিজরবা ইরমদম মণিপুর অসি তরু-তরুনা ঈং-তপ্লা কাঙলূপ-ফূরুপকী খেন্নবা লৈতনা চীং-তম অমখক্তনি খঞ্জদুনা লৈজরকখি ঐগী থম্মোয়দা। অদুবু ঙসিদি অপূম-অশা অমসুং চমোৎনরবা কয়ানা পূমথন থল্লবা ইরমদম মণিপুর অমা ওইহনবীরে। ওইহনবীরে হায়রিবা অসিবু করম্বা মীওইনো, কনা কনানো?

থা ৪ হেনখ্রবা লান অসি করি করম্বদগী ষ্টেট লৈঙাক্লা থিংবা অমসুং লোইশিনবা ঙমদ্রিবা করিগীনো? পুংজা খূদিংগী তৌহৈদ্রবা শাহিংশা ওল্লক্লবা কুকি-জো, চিন-কুকি টেররিষ্টশিংনা লিশাং শীৎনা মহৌশাদগী ঈং-তপ্লা হিংজরিবা মীতৈদা হেক্তমক ওনশিন্দুনা য়ূম কয়ামরুম তুম্না মৈ থাদোকপীবা, নোংমৈনা মীতৈ মীচম কয়াগী কোক্তা নম-নমদুনা কাপ্পুনা হাৎপীখিবা, মসিদগী হেন্দোক্তুনা মীতৈ নহা কয়া অমসু থাঙনা কক্তুনা হাৎপীখিবা, উহৈ-তাহৈদ্রবা কুকিশিংগী লীচৎ অসিবু উনা-উনা খঙনা-খঙনা ষ্টেট লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মপী-মপাশিংনা থিংনবগী মহুৎতা ঙাকথোকপীনবগী মহুৎতা তুমিন-তুমিন য়েংদুনা লৈথোক্লিবা অসি করিগীনো? মসি য়াম্না ইকাইনিংঙাইহনি।

চীংয়া খূদিংমক্তা কুকি টেররিষ্টশিংনা তৌনিংবতা তৌহনবা, অতম্লনবা অসাম রাইফলসশিংনা কুকিশিংবু হূইদা সু-সু ইনশিন্দুনা খোংবান্দা নুঙদুম লংশিন্দুনা লান পাংশিন্দুনা লেপ্তুনা থৌনা পীশিল্লিবা অসিনা করিগীনো? মীতৈশিংনা কুকিশিংদা লান অসি হৌরুবা অমদি খৎন-চৈনবা হৌরুবসু লৈতে। কুকিশিংনা লান হৌরকখিবা ঙাক্তনি। কুকি নখোয়সু য়াম্না মুন্না খন্থফম থোকই। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু হৌজিক তৌনরিবা লান অসি ষ্টেট লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মপী-মপাশিংনা খূদক্তা তেমখায়বীগদবনি, চীংদনা লো চৎনহন্দবা, তমদনা য়াম্না ষ্ট্রিক্ট ওইনা লো শীজিন্নবা, মসিনা মরম ওইদুনা মণিপুর কায়ননবা মচেৎ তাননবা মচাক অমা ওইহল্লি, চীং-তম মান্ননা কমন লো শীজিন্নবীয়ু হায়রি। মসিতদা য়াইফগনি থাজৈ।

**অদোমগী - এস জিতেন্দ্র**
**খুরাই, # ৯৮৬২৫৬১২৮৬**

---

**মীৎকপ থোক্লসি তুমদুনা লৈবগী মতম নৎত্রে**

**(৫৪)**

মে ৩দগী হৌরক্লিবা লান অসিনা মীচম মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অসি হেনমল্লে, লৈঙাক্লা হৌজিক ফাওবা য়েংদুনা করিসু তৌদবগুম্না লৈবসি লাইবক থীবনি। মাঙখ্রবা থৱায় কয়াগী তেংথাখোল লৈঙাক্লা ঙাইরিবসি মৈত্রবাকসে তুম্না মাঙবদুরা ইচিল-ইনাও, ইবুং-ইপ্বা, ইমা-ইবেল খূদিংমক অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা লৈবাকসে ঙাকমিন্নসি। তুমদুনা লৈরিবা লৈঙাকসি মীয়াম পূন্না হৌদোকমিন্নদুনা লমদমসি ঈংনা-চিক্লা লৈবা লমদম অমা ওইহল্লসি। লৈবাক ঙাকপদা পোলিটিক্স তৌগুমসি। শেল খরনা ইশাগী রাইট মাঙহনগুমসি।

**অদোমগী - ওনিবালা**
**অংথা, # ৯৭৭৪৮৬০৯৪৯**

---

**মশীং কয়া ফাওবনো**

**(৫৫)**

পীছ রেলি চৎপা য়াবা চৎলে, পব্লিক কর্ফিয়ু তৌবা য়াবা তৌরে, মৈরাগী রেলি চৎপা য়াবা চৎলে, মীফম ফম্বা য়াবা ফল্লে, হ্যুমেন চেন শেম্বা য়াবা শেল্লে, কেবিনেট ফম্বা য়াবা ফল্লে, এসেমব্লি মীফমসু ফল্লে, ৱাকৎ মীফম ফম্বা য়াবা ফল্লে, লূপসু মশীং থীঙমদনা শেম্বা য়াবা শেল্লে, মেমোরেন্দম পীশিনবা য়াবা পীশিল্লে, দেল্লী চৎপা য়াবা চৎলে, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর উনবা য়াবা উনরে, মী শিবা য়াবা শিরে, শোকপা য়াবা শোক্লে, ৱারেপ লৌবা য়াবা লৌরে, কর্ফিয়ু তৌবা য়াবা তৌরে, ইন্টরনেট থিংবা য়াবা থিংলে, টিয়র গ্যাস/রব্বর বুলেট/লাইভ বুলেট কাপ্পা য়াবা কাপ্লে, মণিপুরদগী এ আর লৌথোকউ মশীং থীঙমদনা লাউরে, লাঞ্জেনয়ূম শাবা য়াবা শারে, হায়জ-নোঞ্জ তৌবা য়াবা তৌরে, সেন্ট্রেল ফোর্স থাজিনবা য়াবা থাজিল্লে, বোম কাপ্পা য়াবা কাপ্লে, বঙ্কর শাবা য়াবা শারে, ইকাই খুম্নবা মাঙহনবা য়াবা মাঙহল্লে, মঙক-মখোঙ-মখূৎ কক্পা য়াবা কক্লে, খুন ঙাকপা য়াবা ঙাক্লে। হে পূক্লিং কুকিনা মী হাৎপা-তুপ্পা, ওৎপা-নৈবা, মীতৈগী য়ূমশিং মৈ থাবা, শিদোকপা, লৌ ইঙ্খোল মুনবা, সনা-লুপা, লন-থুম হুরানখিবা গাড়ী কয়া মৈ থাদোকখিবা, জে সী বিনা তেমখায়বা য়াবা তেমখায়বা, নুপী-অঙাং অহল ওইরবশিং তমথীনা হাৎখিবদা তুকথরবা হে পূক্লিং। কয়াম কুইনা ঙাইখিনি, খাঙখিনি, তুমখিনি, লাউখিনি, ঙাকখিনি, ওইদবা হায়খিনি, হে পূক্লিং তুকথরবা ইমা লৈবাক কংলৈপাকনা য়াইফরে য়াইফমিন্নরসি।

**অদোমগী - সোনামণি থিংবাইজম**
**কোংবা, # ৬০০৯২৫৯৩৮০**

---

**ইন্টরনেট হাংদোকউ**

**(৫৬)**

অঙম্বনা নমথবা, অপায়বনা (হোল্ডর) মপূ শাদুনা চাওনবা অসিগুম্বশিংসিনা সনা লৈবাক অসি পূমথন থল্লে। নেসনল হায়ৰেদা লৈবশিংনা হায়ৰেগী মপূ শাদুনা রোদ ব্লোকেদ হেক্তা তৌবা, ইরায় লায়না, ব্লোকেদ তৌহনন্দবা ঙম্বশিংনা তুমিন্না হেক্তা লৈশিনবা, ইরায় লায়না লান থিংবা ঙম্বশিংনা লান য়েংদুনা তুমিন্না লৈথোক্লিবা লান থিংবগী মহুৎতা নোংম-নোংমগী খজিক-খজিক হাৎতোকনৌ, নোংমদা য়াম্না হাৎতোক্লবা য়াদে হায়বগী মওংদা কন্ট্রোল্ড ন্যুক্লিয়র রিএক্টরগা মান্নহনবা মানবা, লানসু থিংদবা, ইন্টরনেট-সেন্সিটিভ ইনফোর্মেসন থিংজিনবদগী মফম খরদদি ঈরাং থোক্লি হায়বা ফাওবা খঙহন্দনা, ৱাকৎফম লৈতবদগী মচি-মচিদা ফমদুনা ৱাকৎ-মীফম ফম্বা, চারা হেনবা অসিগুম্বা য়াম্না শাথীনা তোল্লবা ফীভম অসিদা মীতৈশিংনা-কুকিশিংনা-মণিপুরীশিংনা কয়াম কুইনা খাঙখিগদগে। লৈঙাক্লা ঙমদ্রবনিনা মীয়াম্না ৱারোইশিন পুরক্লবা, অথুবা মতমদা মীয়ামগী রাইটসু ওইরিবা ইন্টরনেট হাংদোকউ অসিগুম্বা উপায় লৈতবা মাল্লবা পুংফম অসিদা।

মীচম মীয়ামগী খ্বাইদগী মরুওইবা খূৎলায়দি ইন্টরনেট নত্তবরা হায়বসি সী এস ওশিংনা ইহান হান্না খন্থবীবনা চুমগদ্রা...

**অদোমগী - এম বসন্ত**
**কৈনৌ, # ৭০০৫৭৮৭৭৯৭**

---

**অনৌবা লানগী পোরম**

**(৪৯)**

মণিপুরগী পুৱারী চহী ৩০০০ হেল্লবনি, তোপ-তোপ্পা কলচর লৈজবা লমদম্নি হায়জরবসু লমদম অসিগী য়েক সলাই লৈজদবা কুকি ফূরুপ অমদি মতিক ময়াই লৈত্রবা শিবগা পাঞ্ছক ওইরবা ষ্টেট লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী লৈজরম্বা পূন্সি মহিং পূম্নমক লৈখা তানা মাঙহনগদৌরে। থোক্লিবা লান অসিদা লৈঙাক্তা থোইনা থাজবা থম্বনা কান্নরোই। ঐখোয় মীয়াম পূন্না তৌবা য়াবা মীৎয়েং শান্না উবা ঙম্বা থৌশিল পায়খৎমিন্নবা মথৌ তাই। কৈরোই লৈকাইদা কনাগুম্বা অমগী য়ূম মৈ চাক্লবদি লৈকাই অদুদা লৈরিবা মীপূম খূদিংনা অঙম্বা মতেং পাংনৈ, হৌজিক ঐখোয়গী য়ূম কয়া কুকিনা মৈ থাখ্রে। অদুদি ঐখোয় ময়াম চঙদুনা মতেং পাংফম থোক্তব্রা? টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়বা য়ারোই হায়নদি লাউরি। অদুবু মণিপুরগী মফম খূদিং চৎপা ঙম্নদ্রে। লান কুইনা তৌখিনি, মীতৈবু কুকিনা লাকচবা য়ারোই। মৈরা পায়বীনা ঙাইহাক-ঙাইহাক লৈকাইদা শেল খরা খায়রগা তুং কোইনা চৎপা ঙল্লোই। মরম অদুনা ঐখোয় মীতৈ মরৈবাক নীংবা, নুংশিজবা মীওই লাখ ২ খক থা অমদা লুপা ৫০০ পুথোক্লদুনা চহী ২/৩ খক লিংজেল মান্নসি। থা অমদা লুপা ক্রোর ১০দি ফংগনি। মসিবু মরম চানা শীজিন্নবা, ট্রান্সপরেন্ট ওইবা এপেক্স বোদি অমা শেমদুনা ঐখোয়গী লানগী পোরম য়াৎমিন্নসি।

**অদোমগী - অহোংশাংবম বুধচন্দ্র খুমন**
**চাইরেনথোং, # ৮৭৮৭৩৬১৩৯১**

---

**/ATM CARD, BANK PASS BOOK অমদি CHEQUE BOOK তাহৌরে**

হৌখিবা তাং ১০-৮-২০৩ ইংদা Sangaiyumpham দগী Thoubal DC ফাওবা চৎপদা Bank Pass Book A/C No. 3373968109 Thoubal Branch, ATM Card অমদি Cheque Book অসি মফম খঙদনা তাহৌরে। কনাগুম্বনা খুনবীরবদি মখাদা পীজরিবা মীওই অসিদা শিন্নবীয়ু।

Sd/- **Md. Firos Khan**
HL-P/7792/14 Sangaiyumpham Pt. II, #8837352107

**/MARKSHEET LOST**

I have lost my Original Marksheet of B.Sc. 6th Semester Examination, 2016 bearing Roll No. 3107201 and Registration No. 13481068 of 2013 issued by Manipur University on the way between Lamlong and Pangei on 10-9-2023.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/7791/14 Sd/- **Soraisam Rojit Singh**

**/ ইংখোল য়োঞ্জরি**

সঙাইপ্রৌ মমাং লৈকাইদা লৈবা পোইন্ট ৬৭ রোম চাওবা লম অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। মশাগী ফেন্সিং অমসুং গেটনচিংবা নিংথিনা লৈরবা ইংখোল অসিবু পাম্বীবশিংনা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবিরকপা য়াগনি।

HL-P/7783/13, 14 & 15 Sept **Contact No. : 8416078306**

**/ইঙ্খোল য়োঞ্জরি**

খোংহাম্পাৎতগী খরা চঙশিল্লগা লৈবা খাম্মরান অৱাং লৈকায়দা পোইন্ট ১২ চাওবা ইঙ্খোল অমা অচিনবা অমগীদমক য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা অথুবদা পাউ ফাওবীরকউ।

HL-P/7787/14,15,16 **Contact No.: 7005130645, 8575160726**

**/MARKSHEET CUM CERTIFICATE LOST**

I have lost my Original Marksheet Cum Certificate of HSLC Examination, 2018 bearing Roll No. 28890 issued by BOSEM on the way between Oinam and Imphal on 10-9-2023. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Khumukcham Debala Devi**
HL-P/7789/14 Irengbam Mamang Awang Leikai

**CAS Coaching Centre**

CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

**Admission Open (Last Batches)**

**FOUNDATION COURSES**

**CLASS XII** (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)

**CLASS XI** (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)

**CLASS X** (English, Maths, Science & Social Science)

Hurry!!! Seats are Limited First Come First Served

**Special features:**

- Experienced and Expert Faculties.
- Special Concession for Meritorious,Govt. School, Single Parent, Ethnic Victim, Differently abled Students.
- Counselling & Extra Classes for Slow Learners
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2024.

Hostel for BOYS & GIRLS Available

Classes Commencing from 25th September, 2023

# Morning:(4.30– 6.30) A.M. # Evening:(3.30– 6.30) P.M.

For Details Contact:- *CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal(Mayai Lambi Machin) # 6033817130*

HL-P/7796/14/9-14/10

**ADMISSION OPEN**

FOR
1. SPOKEN ENGLISH & ENGLISH GRAMMAR COURSE
FOR
STUDENTS & SENIORS
2. RHYMES TEACHERS TRAINING COURSE
FOR
GIRLS & YOUNG MOTHERS
AT
SPOKEN ENGLISH CLASS

SINCE 1986
NAGAMAPAL LAIMAYUM LEIRAK
**PLEASE CONTACT 8974642764**

HL-B/8309/10/9-10/10

**/ ইঙ্খোল য়োঞ্জরি**

ইম্ফাল এয়রপোর্টকী মমাংদা লৈবা নিংঙোম্বমদা পোইন্ট ১৩ (০.১৩) চাওবা আই ভি আর লম্বীগা তাইনবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইনা মখাদা পীরিবা নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

HL-P/7732/8,10,12,14,15 **# 9971048651**

**/ ফার্ম অমা য়োঞ্জরি**

এলাং খাংপোকপীদা লৈবা সঙম মঙা চাওবা ফার্ম অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবশিংনা মখাদা পীজরিবা Contact No. অসিদা ফোন তৌবীরক্তুনা অকুপ্পা ৱারোল খঙবীবা য়াগনি।

HL-P/7037/13,14,15,16 Sept. **Contact No. 9233281755**

**NACHOM EDU FOUNDATION**
Foundation of Future
NEF
NEET/JEE/IIT

**REGISTRATION OPEN**

8 MONTHS REGULAR COURSE FOR NEET (UG), TARGET -2024
Commencing from 1st September 2023

**Why NEF** (Eligibility :12th passed / Appearing)

- Study Materials with latest updation.
- Expert faculties from KOTA
- $4\frac{1}{2}$ hours classes daily & Test Series on every 15 days
- Individual attention on every student.
- Special doubt clearing classes

**OUR FACULTY MEMBERS**

CHEMISTRY



**Rahul Kumar**
* Ex Faculty member of Career Point, KOTA & Narayana IIT

PHYSICS



**L. Bidyaraj**
Master from IIT, Guwahati
* Ex Faculty member of Career Point

MATHS



**Basant Kumar**
* Ex Faculty member of Aakash Coaching Institute, Muzzafarpur
* Over 25 years of experience for JEE

BIOLOGY



**Vishal Kumar**
* M.Sc. Life Science
* Post Graduate diploma in bioinformatics
* Teaching experience 10 years (NEET)

**7 days Free trial Classes**
**Admission Only after satisfaction in the Class**

*For more details contact :* **9402979552 | 8729948874**
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai

HL-P/7162/ Aug 18,20,22,24,27,29,31, Sept 2,4,6,8,10,12,14

**/ অৱাবা ফোঙদোকচরি**



হৌখিবা তাং ৫-৯-২০২৩ ইং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা Konthoujam A/c গী হান্না M.L.A ওইবীরম্বা Ex. M.L.A. K. Sharat Singh না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা য়ুরেম্বম অৱাং লৈকাই অহল লমন অমদি ইমা ইবেন, ইচিল ইনাওশিংনা মহাক্লা লৈকাই অসিদা তৌবীরম্বা চাওখৎ থৌরাংশিংবু তৌবিমল খঙবা উৎপগা লোয়ননা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা অমদি মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ইংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক্তা পুন্নমক্লা খুরুমজরি অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

*অৱাবা ফোঙদোকচরিবাঃ*
**য়ুরেম্বম অৱাং লৈকাই প্রজাশিং**

HL-P/7797/14 Sept.

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, MAYANG IMPHAL**

**/ NOTICE**

The 11th Sept., 2023

নহান dt. 25/04/2023 Tuesday দা নুংতিগী ফোঙবা পাউ চে অমগী Page No. 3 গী Column No. 3 দা SDC/Mayang Imphal গী Mut. Case No. 130/SDC/IW(S) of 2023 গীদা উক্তা Court SDC/Wangoi হায়বা অদু উক্তা SDC/Mayang Imphal হায়গদবনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Mayang Imphal

HL-P/7795/14 Sept.

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
DIRECTORATE OF HANDLOOMS & TEXTILES

**/ N O T I C E**
Imphal, the 13th September, 2023

No. HC-79/H&T/2018/3200: On the basis of the recommendation of the Counseling Committee in its meeting held on 13-09-2023, following candidates are identified for undergoing 14 days Workshop cum Training Programme of Bell-Metal (such as Senga, Hao Pukham, Pukham Nayatri, etc) at Aheibam Leikai, Heirangoithong, Imphal West, Manipur.

| Sr. | Name | S/O, D/O | Address |
|---|---|---|---|
| 1 | Parnol Sagolshem | S. Babuyaima | Khamran ,Imphal West |
| 2 | Rammung T.Shimray | Aransew T.Shimray | Chingjaroi ,Ukhrul |
| 3 | Sotinkumar Laishram | L.Shanta Singh | ChairelKhunou |
| 4 | Aheibam Manaocha Singh | A.Loknath Singh | Heirangoithong,Imphal West |
| 5 | Ngangbam Binita Devi | N.(L) Somendro Singh | Moirangkhom ,Imphal West |
| 6 | Aheibam Sanatomba Singh | A.(L). Dhananjoy Singh | Heirangoithong ,Imphal West |
| 7 | L. Priyokumar Singh | L.Deben Singh | Keishampat, Imphal West |
| 8 | Keisham Shashi Singh | (L) K.Amumacha Singh | Keishampat,Imphal West |
| 9 | Dr.Manju Elangbam | Rabeino Elangbam | Yaiskul,Imphal West |
| 10 | Elangbam Kananbala Devi | E.Sonamani Singh | Hiyanglam ,Kakching |
| 11 | Konsam Mahendra Singh | K.Megha Singh | Nambol Awangjiri, I/ West |
| 12 | Leitanthem Chaoba Singh | L. Kalachan Singh | Nambol Awangjiri,I/West |

All the identified candidates are informed to report to Shri Aheibam Gope, Master Trainer at Aheibam Leikai, Heirangoithong, Imphal West at 9:00 a.m. on 14-09-2023 for a formal inaugural function with the Government Official.

Sd/-
Director of Handlooms & Textiles,
Manipur

HL-B/8315/14